ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওক্টোবর ১১, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১৯২শুবা মশীং

## শেহলা রশিদনা পোলিটিক্সতগী তোকখিবা

### পোলিটিসিয়ন ওইবদগী এক্টিভিষ্ট ওইবনা মরু ওই হায়বা উৎপনি

কাশ্মিরদা য়াম্না নহা ওইরিবী হান্নগী মহৈরোয় লুচিংবী শেহলা রশিদনা মেনষ্ট্রিম পোলিটিক্সতা খোঙদারকপা থা ৬ লোমদা ঙায়রিঙৈদা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতগী তোল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হন্দক্তা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খায়দোকখ্রবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ব্লোক দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লুবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা হান্নগী মহৈরোয় লুচিংবী অসিনা পোলিটিক্স থাদোক্লুবা ফিরেপ লৌরকপনি। কুমজা ২০১৬তা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা থোকখিবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা মশক নাইবী ষ্টুদেন্ট এক্টিভিষ্ট অমা ওইরকখিবা শেহলা রশিদনা হায়খি, ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা য়াওশিন্দুনা মীখলদা মীরেপ ওইবা তারবদি কাশ্মিরদা মীচম-মীয়ামগী ঈহৌ নমথবগী থৌওংদা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্কনি। ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা শরুক য়াবগী মহুৎতা তোঙান-তোঙানবা মখলগী লোনা য়াবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা অমসুং সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নমথবিরবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরগনি হায়নসু জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্বী শেহলা রশিদনা ফোঙদোকখি। মীচম-মীয়ামগী অপান্বা ফংহন্নবগী অমত্তা ঙায়রবা পান্বৈনি খল্লুবদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারুবনি। অদুবু পোলিটিক্সতা চঙদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবনা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মীয়ামগী অপান্বা ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। অহোয়নদুম মীচম-মীয়াম নমথবদা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লগনি হায়নসু শেহলা রশিদনা ফোঙদোকখি। মীয়ামগী থৌগল তৌগনি খন্দুনা পোলিটিক্সতা খোঙদাখিবা মীওই কয়া মীখলদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা মতুংদা সেন্ট্রেল লীদরশিংগী য়াকা য়েংদুনা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা থেংনৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদা পি ঐচ দি তৌরিবা এক্টিভিষ্ট অসি জম্মু এন্দ কাশ্মির পীপলস মুভমেন্ট কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। কুমজা ২০১৫-১৬ তা মহাক্লা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং কয়াদা শরুক য়াখি। কনহয়া কুমার, উমর খলিদ অমদি অতৈ মহৈরোয় কয়া থাদোকহন্নবগী খোঙজংদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০০১দা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা এটেক চঞ্চরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা অফজল গুরু শীংথাদুনা থৌরম পাঙথোকখিবা অমসুং ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখিবগীদমক কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারীদা কনহয়া কুমার, উমর খলিদ অমদি অতৈ মহৈরোয় কয়া সিদিসনগী চার্জদা ফাখিবনি। ওথোরিটিশিংগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবা শেহলা রশিদ শোরা শ্রিনগরগী হবা কদালদা পোকখিবনি। শ্রিনগরগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি)দা কম্প্যুটর এঞ্জিনিয়রিং তম্লবা মতুংদা মহাক্লা বেঙ্গলোরগী ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট (আই আই এম)দা চয়োল ১০গী ওইবা পোলিটিকেল লীদরশিপকী সর্টিফিকেট প্রোগ্রাম অমা য়াওখি। কম্প্যুটর এঞ্জিনিয়রিংদা এন আই টি শ্রিনগরদগী গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুংদা মহাক্লা ঐচ সী এল টেক্নোলোজিজদা সোফ্টৱ্যের এঞ্জিনিয়র ওইনা থবক তৌরগা খুন্নাইগী ঈহৌ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি। নুপীশিংদা এসিদ এটেক চঞ্চবা অমসুং জুবেনাইল জষ্টিসকী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা লাকখিবা শেহলা রশিদনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদা এম এ সোসিওলোজি লোইশিল্লগা লো এন্দ গভর্নান্সতা এমফিল তমখি। হৌজিক্লা পি ঐচ দি তৌরি। কাশ্মিরদা ওইরিবা হ্যুমেন রাইটসকী ফীভমগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা লাকখিবা মীওই অসিনা মুসলিম নুপীশিংতগী ওইবা ঈশৈগী কাঙলূপ অমা মপূং ফানা শৌগৎখি। কুমজা ২০১৩দা "প্রগাশ" কৌবা মুসলিম নুপীশিংগী ওইবা ঈশৈগী কাঙলূপ অমা থোরকপদা মায়কৈ কয়াদগী ইস্লামিক কঞ্জর্ভেটিভশিংনা কিহল্লকখি। ইস্লাম লাইনীংদা হকচিনবা কাশ্মিরগী মীওই খরনা ওনলাইনদা কয়ারক হন্না কিহল্লকপদগী নৌজরিবী মুসলিম নুপীশিংগী কাঙলূপ অদু অমুক হন্না মীমাঙ থোক্তুনা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা শেহলা রশিদ শোরানা হায়খি, নুপী কয়া রেপ তৌগনি হায়না কিহল্লকপগী থৌওংবু ইস্লাম্না য়ারগা নুপীমচা খরনা ঈশৈ শক্কে হায়বদা ইস্লামনা য়াদে হায়রিবসি মরম চাদে। ঙম্মী হায়বগী মতাগুম কনাগুম্বা মীওই অমগী অনীংবা-অপান্বশিং নমথদুনা থল্লবদি খুন্নাইদা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা অনীংবা-অপান্বশিং অদু ফোঙদোক্লবা হোৎনরকপা য়াই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। শেহলা রশিদ শোরাগা ইরমদম মণিপুরগা থোইদোক্লা মরী লৈনদবা তারবসু মরী লৈনহনবা য়ারিবা ৱাফমদি কনাগুম্বা মীওই অমনা খুন্নাইগী থৌগল তৌগে হায়না চোংথোরকপগী মতাংদনি। লমদমসিদা মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না চোংথোরক্লিবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইগে হায়বা ৱাখলনা মাঙ থারগা থোরকপগুম তৌরি। মীখলদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা মতুংদা খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক তৌবা এক্টিভিষ্ট অমা ওইবা য়াদে হায়বা ৱাফমবুদি লৈতে। অদুম ওইনমক মীখলদা মীরেপ ওইববুদি মীয়ামগী থৌগল তৌবনা মরু ওইবা হেল্লি হায়বা শেহলা রশিদ শোরাগী ৱাখল্লোন অসি তমজনিংঙাই ওই হায়না লৌফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহীগী মতাংদা ওপন দিবেট তৌনসি হায়বদা কনা অমত্তা থোক্লকখিদরে হায়বা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হন্দক মরকসি শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী কুমওন থৌরম য়াওজরুবনি, থবক খরা চিনখিবনা পাউচে ফাওবা য়েংবা শংখিদ্রে, থোকচরকপসু কুইদ্রি। কনাগুম্বা মরুপ খরনা ঐঙোন্দা শ্রী শমুলাইলাৎপম প্রহ্লাদ শর্ম্মগী চিঠি অমা 'হুইয়েন লানপাউ' দা ইরকখিবনি হায়রকপদগী য়েংলুবদা ঐহাকসু থেংনজরে। চিঠিদু সেপ্টেম্বর ২০, ২০১৯দা য়াওরম্মী। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক থিবা/পুথোকখিবগী মতাংদি পাউচেসিমক্তদা কয়ারক হন্না অৱাই অখুম তৌনখ্রে। অসিদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রাজর্ষিগী নীংশিং 'ষ্টাম্প' ফাওবা দিসেম্বর ৩১, ২০০০দা রাজর্ষিগী মপোকসু কুমজা ১৭৪০দা লৌরগা ফোঙবীখিবগী মতাংদসু ঐহাক্লা আর্টিকল অমা চৎলিবা চহীসিগী জুলাই ৫দা পাউচেসিমক্তদা হাপচখ্রে (আর্টিকলগী মমিং, মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী নীংশিং 'ষ্টাম্প' ফোঙখিবদা মহাক্কী মপোক চহী য়াওরক্তে হায়বা)। ওপন দিবেটতগী হেন্দোক্লা নৈনখ্রে হায়বা য়ারবনি। অদুবু ঐহাক্লা মতমদুদা কর্ত্তা পরিষদকী অখন্নবা মীশকশিংদা ওপন দিবেটকী মতাংদা হৌদোকচরুবনি। মদুদা মখোয়না করিগী ওপন দিবেটনো, ঐখোয়গীদি অহলশিংনা ঐখোয়গী ইবুঙো পুরেন ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক্কী চহীদি 'কুমজা ১৭৪০গী ইংঙাগী ২৭নি পানবদা ওইদুনা অদুম লৈরি, অহোংবা লৈতে' হায়বীরকখিবনি। লোয়ননা কর্ত্তাশিংগী বংশাবালিদা লাচন্দুনা লৈরম্বা ইমিৎমক্লা উজখ্রে। থমজনীংবা ৱাফমদি, ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী পুথোকপগী মতাংসিদা - ঐখোয় ওথোরিটি ওইরোইসি, মৈদিংঙুসিগী মচা-মশুশিং ওইহৌরিবা কর্ত্তাশিংগী মখূত্তা লৈজখিসনু, ঐখোয় খূৎ থিংজিল্লোইসি নৎত্রবদি মমৈথংদা ঐখোয় ওইজবা থিবা তারক্কনি লোয়ননা ইকায়রক্কনি। অদুগা ৱাফম অমদি কর্ত্তাশিংদা লৈরমগদবা মাল্লি, মদুদি - রাজর্ষি পোকখিবগী অশেংবা কুষ্ঠি পুথোকপীবা ঙম্বীরবদি থাগৎচবগা লোয়ননা খন্নজগনি হায়বা ফাওবা ফোঙদোকপীরকপদি লৈখি। ঐহাক্কী ওইনদি, ঐখোয়গী পোইরৈ মৈত্রবাক লমদমসিবু ঙাকপী শেনবীরমখিবা অদুগা কনাগুম্বা স্কোলর খরনদি পাউথোকপীখ্রবা ইনিংথৌশিং খরগী অচুম্বা পুৱারীগী লিক্লম থিজবদা পূক্নিং চিংশিঞ্জবনি। অদুগা মৈদিংঙুসিগী মপোক চহীসু (কুমজা ১৭৪০ সি পঞ্জখ্রে) লৈজখ্রবনি ইনৌ নৌনা অমুক পুথোক্লবগী মথৌ তাদ্রে। ইজরিবা ঐহাক মীংচৎ তাঞ্জদে, লোয়ননা লাইরিক্কী করবারসু তৌজদে।

শ্রীশমুলাইলাৎপম প্রহ্লাদ শর্ম্মনা 'মণিপুর ইতিহাস মৈতৈ পুরান, বিজয় পঞ্চালি (ভাগ্যচন্দ্র চরিৎ)' হায়বা লাইরিকসিদগী কোদ তৌদুনা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী পুথোকপদা প্রাইমারি ছোর্স (হৌরকফম মরূ) ওইনা লৌরবদি পুমলান লানগনি। মরমদি লাইরিকসি মৈত্রবাক মণিপুরগী মৈহৌরোলগী পুৱারীবু শেরান্ননা লমজিংবা ৱারেং শৈরেংনি, ইতিহাস নত্তে। লাইরিকসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা ইরম্বসু নত্তে, মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা হাক্তত্তা মহাভারত, রামায়নগী ৱারী লীবা, ৱারী লাইরিক হায়বা নুংঙাইনবা মওংদা ইদুনা থম্লম্বনি কাব্য ওইনা তৌই। খঙসু খঙবীরমগনি, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র অপঙবা নিংথৌ নত্তে, মৈতৈশিংগী/সলাইশিংগী হৌরকফম মুন্না খঙবা, য়েলহৌঙৈগী নাৎপুসু মুন্না নৈনবা মতিক ময়াই চেনবা নিংথৌনি। অদুনা মহাক্লা মৈত্রবাক্কী লৈহাওগা চান্নদ্রবা ৱারীবু মচাইবুংঙো লাবন্যচন্দ্রদা লীবিরমগনি থাজদে। হৌজিক্কী ওইরক্লিবা ফীভমসিদা অসিগুম্বা লাইরিকসিদগী কোদ তৌদুনা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী পুথোক্লবা খোঙথাং মখা তাবীদবনা ফৈ।

অরোইবদা অমুক্কা হন্না হায়জরিবদি - রাজর্ষিগী মপোক চহীগী মতাংদা কনানা ওপন দিবেট তৌনবা শিনবীখ্রবগে? অদুগা কনা অমত্তা থোক্লকখিদ্রে হায়বদুদি অনীরক হনবীরক্তবনা মতুংগী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। কনাগুম্বনা বিজয় পঞ্চালিগী ৱাফম খঙবীনীংলবদি হায়বীরকপা য়াগনি। তৌবতবু অফ-ফত্ত খুদিংমক্তি লাইরিকসিবু শৌগৎপীরিবা মীশিংনা পুজবা তাই।

*অদোমগী - খুন্দোংবম কুমার, উরিপোক কেন্টিন রোদ*

# জম্মু কাশ্মীরদা থায়না হিন্দু নিংথৌশিংনা লৈঙাক্তুনা লাকখি

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মালেমদা লৈরিবা য়ামখ্রবা লৈবাক ময়ামসিনা ইন্দিয়ানা কাশ্মীরগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ কয়াগী মতাংদা পাকিস্তানবু শৌগৎপা য়াওদ্রে। শুপ্নগী টর্কি অমসুং মলেসিয়া হায়রিবা লৈবাক অনীসিখক্তনা পাকিস্তানগী মীচংদা লেপ্লি। লৈবাক অনীসিনা লেপ্লিবসিগী মরমসু লৈরি অদুগা য়ামখ্রবা লৈবাক কয়ানা পাকিস্তান্না তৌরিবা থৌওং অসিগী মতাংদা য়ানীংদবগী মরম কয়াসু লৈরি। মেজোরিটি য়েংলগদি ইন্দিয়ানা পাকিস্তান্দগী য়াম্না শাথিনা হেল্লে। মেজোরিটি হায়রিবসি ইন্দিয়া মীয়ামগী ওইবা মেজোরিটি, পাকিস্তান মীয়াম্না পীবা মেজোরিটি অদু নত্তে মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক কয়ানা পীরকপা মেজোরিটি অদুনি।

জম্মু কাশ্মীরনা স্পেসল ষ্টেটস পীরম্বা আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ লৌথোকখিবসিদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী মপোৎ-মরল মুনবদৌনা খল্লিবগী মরমসি করিগী ওইবা য়াই? পাকিস্তান্না খনবা ৱাখল অমা লৈরি। করিনো হায়বা তারবদি জম্মু কাশ্মীর অসি পাকিস্তানগী ওইগদবনি মরমদি জম্মু কাশ্মীর হায়বসি মুসলিমশিংগী লম অমনি হায়বসিনি। মসি অচুম্বা ৱাফম্লা নৎত্রগা পাকিস্তান মশানা খঞ্জবা ৱাখল্লা? অমরোমদা মখোয়না শাগৎচবা মখোয়গী ওইবা শাগৎৱারী অমরা হায়বদু মালেমগী লৈবাক কয়ানা খঙখ্রে অমদি উখ্রে। মদুননি মালেমগী লৈবাক কয়ানা পাকিস্তানগী শাগৎৱারী অদু য়ানীংদে অমদি শৌগৎতে। পাকিস্তানবু শৌগৎলক্তবা মালেমগী য়ামখ্রবা লৈবাক কয়াসিগী মনুংদা মুসলিম লৈবাক কয়া য়াওরি। অমরোমদা পাকিস্তান্নদি কাশ্মীরগী ৱাফম অসি মালেমগী ওইবা মুসলিমগী ৱাথোক অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরি। শম্না হায়রবদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মশীং য়াম্বা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরগী মুসলিমশিং অসিগী খোঙ্গুল মুখৎখিনবা হোৎনবা অরোনবা থৌরাং অমনি হায়না পাউথোকই। মসিনা মরম ওইরগা মালেমসিদা লৈরিবা মতিক মগুন লৈখ্রবা য়ামখ্রবা মুসলিম লৈবাক কয়াগী মতেং ফংনবা হোৎনৈ। অদুবু ফংদ্রে। শম্না হায়রবদা মুসলিমগী লুরবা ৱাফম অমনি হায়না পুখৎলবসু মুসলিম লৈবাকশিংনদি মায়কৈ অদোমদা উবা ফংদ্রে, হন্না ফাও য়েংলক্তে। মুসলিমশিংনা মুসলিমশিংগী মতেং পাংদ্রে। মসিনা তাকপদি পাকিস্তানগী মুসলিম গভর্ণমেন্ট অমদি মুসলিম মীয়াম্না মালেমগী মুসলিম লৈবাক কয়াবু লান্না লমজিংনবা হোৎনবদু মায় পাকপা ঙমদ্রে। মখোয়খক্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী পুৱারী খঙবা নত্তে। মালেমগী লৈবাক কয়াসু জম্মু কাশ্মীরগী পুৱারী, ইন্দিয়াদগী পাকিস্তান খায়দোক্তুনা শেমখিবা কয়াসু লোয়না খঙনৈ। ঙসিগী য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা লোয়না খঙনবা ঙাক্তনি লান্না লমজিংবা য়াবা নত্তে। মনীং তম্বা লৈবাক অমনবু লৈবাক অমদা করম্না লান্না হুমদুনা পুবা ঙমগনি।

জম্মু কাশ্মীর হিন্দু নিংথৌশিংগী চারোল-শুরোলশিংনা পান্দুনা লাকখিবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। হায়রিবা মতম অসি মথায় থায়নদগী হৌনা লৈঙাক্তুনা লাকখি। করম্বা মতমফাওবা হিন্দু নিংথৌশিংনা লৈঙাক্তুনা লাকখিবগে হায়ববু জম্মু কাশ্মীরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতমদুফাওবা হিন্দুগী নিংথৌ হরি সিংহ হায়বসিনা পাল্লম্মী। জম্মু কাশ্মীরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা নুমিৎ অসি কুমজা ১৯৪৭কী ওক্টোবর ২৫ হায়বসিদনি। মসিদা নিংথৌ হরি সিংহনা জম্মু কাশ্মীরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরে হায়দুনা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন হায়বদুদা খূৎয়েক পীখি। মসি মালেমগী ওইবা রেকোর্দ ওইরিবনি অমদি লৈবাক পূম্নমক্লা খঙলিবনি/উরিবনি করিনা হায়ববু কুমজা ১৯৪৭ হায়বসি থোয়দোক্লা কুইবা চহী নৎত্রি। অমরোমদা মসিগী ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন হায়বসি ইনবা মতমদা মতমদুগী বৃটিশকী মকোক থোংবা মীওইশিংগী মমাঙদা তৌনখিবনি। জম্মু কাশ্মীরনা পাকিস্তান্দা তিঞ্জরগে হায়না বৃটিশশিং খঙনা নিংথৌ হরি সিংহগা পাকিস্তানগা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন হায়বসিদা খূৎয়েক পীনখিদে। অদুগা করম্না পাকিস্তান্না জম্মু কাশ্মীরবু মখোয়গী লমনি, ইন্দিয়ানা নাকল নামতগী ওইবা থবক তৌবা য়ারোই হায়বদা কনানা শৌগৎপীরক্কনি? পাকিস্তান্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিঙৈ হায়বদি বৃটিশকী লৈঙাক্তগী নীংতম্বা ফংদ্রিঙৈদা হিন্দু নিংথৌশিংনা জম্মু কাশ্মীরখক্তা নত্তনা লাহোর ফাওবা লৈঙাক্লম্মী।

নিংথৌ হরি সিংহগী অপোকপা প্রতাপসিংনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। মদুগী মমাঙদা নিংথৌ রনবির সিংহ, গুলাব সিংহ হায়রিবশিং অসিনা লিশাং শিংনা পাল্লম্মী। হায়রিবশিং অসি পুৱারীনি শেমদোক্লুবা য়াবা ৱা নত্তে। ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং ফাওবা হরি সিংহনা নিংথৌ ওইদুনা জম্মু কাশ্মীরদা কুমজা ১৯৫২ ফাওবা পানখি। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন শেম্লবা মতুং কুমজা ১৯৫২দগীদি নিংথৌগী লৈঙাক মুথৎখ্রে। দেমোক্রেসিনা লৈঙাকপা লমদম অমা ওইখি। ঙসিসু জম্মু কাশ্মীরদা নিংথৌ হরি সিংহনা লৈরম্বা কোনুং লৈরি। মহাক্কী মচানুপা ডা. করন সিংহ হিংলি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা জম্মু কাশ্মীর অসি মুসলিমশিংগী লৈবাকনি হায়দুনা পাকিস্তান্না লাউজরিবা অসি মালেমগী মীয়ামদদি/লৈবাকশিংদদি তায়োন্নবনি করম্না হায়রোই।

হিন্দু নিংথৌশিংনা পাল্লম্লবসু মী মশীংদি মুসলিমশিংনা হেনখ্রে। মসিগী মরমদি ইন্দিয়া-পাকিস্তান তোঙান্না খায়দোক্ত্রিঙৈদা মুসলিম কয়া থোমজিল্লকখি। মদুগীসু মথক্তা থায়না মুগল নিংথৌরেলশিংনা লান্দারকপা মতমদা মুসলিমশিংগী মীশিং য়াম্না হেনগৎখি। মদুগী মরম ময়াম অমা লৈখ্রে করম্না মুসলিমশিংগী মীশিং য়াম্না হেনগৎখিবনো হায়বদুগী মতাংদা। জম্মু কাশ্মীরদা লৈরিবা হিন্দুশিং অসি কাশ্মীরি পণ্ডিট হায়না খঙনৈ। মখোয়না নিংথৌ ওইজরবসু মীশিংদি য়ামহৌদ্রে। নিংথৌ হরি সিংহগী চারোল-শুরোলশিং অসি দোগ্রা রাজপুট হায়বদুনি। মখোয়শিং অসি কুমজা ১৯৯০গী লোইরমদাই চহীচাদা কাশ্মীরগী মুসলিম টেররিষ্টশিংনা তান্থোরকখি। হিন্দুশিং মশাগী মরমদগী হিংনবা রিফ্যুজিশিংগুম্না ইন্দিয়াগী মফম কয়ামুক্তা চেল্লকখি। ঙসি ঙসিমকসু কাশ্মীরি পণ্ডিটশিং মশাগী মরমদম জম্মু কাশ্মীরদা হনবা কিদুনা মীরমদা লৈরি। মদুগুম্বা টেররিষ্টশিং অদু পাকিস্তান্না ত্রেনিং পীবা, চংজফম পীবা ঙাক্তনি। জম্মু কাশ্মীরদা হিন্দু লৈহন্দনবা হোৎনবা পাকিস্তানগী খুজিল থৌরাং অমনি। জম্মু কাশ্মীর পাকিস্তান্না লৌগদবনি হায়বসি মখোয়গী ৱাশক অমনি। করিগুম্বা ঙমদুনা লৌশিনবা তারবসু জম্মু কাশ্মীরদা লৈবা কাশ্মীরি পণ্ডিটশিং য়াওনা লৌশিনবা পামদে। লৌশিনবা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি তৌবতবু মখোয়গী খুজিল থৌরাংদি মসিনি। বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা ইন্দিয়াদগী পাকিস্তান খায়দোক্তুনা শেমখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াসু ওগষ্ট ১৫দা মনীং তমখি। মতম অদুদা জম্মু কাশ্মীরসু মনীং তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখি। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী শরুক অমফাওবা ওইদনা লৈখি। নিংথৌ হরি সিংহনদি ইন্দিয়াদা পুন্নীংবগী ৱাখল লৈরম্মী। করিনা হায়ববু মহাক হিন্দু অমনিনা। মুসলিমশিংনা পাকিস্তান্দা পুন্নীংবসু য়াওখি অদুগা ইন্দিয়াদা পুন্নীংবসু য়াওখি। মসিগী ফীভমসিদা পাকিস্তান্না কুমজা ১৯৪৮গী এপ্রিল থাদা জম্মু কাশ্মীরগী নিংথৌ হরি সিংহদা লান্দারে। অদুবু লান্দারিবসি মশক লোৎলগনি হায়বদি পাকিস্তান লান্মীশিংনা ফোঙনা য়ুনিফোর্ম শেৎলগা লান্দাবা নত্তে। জম্মু কাশ্মীরগী ত্রাইবেল মুসলিমশিংগী ফিজোল শেৎলগা জম্মু কাশ্মীর লৌশিন্নবা লান দাবনি। নিংথৌ হরি সিংহনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা লানগী মতেং পাংবীনবা হায়রকপদগী ইন্দিয়াগী লান্মী থাজিন্দুনা পাকিস্তানগী শক্লোৎপা লান্মীশিংগা লানথেংনরে। মতমদুদা পাকিস্তান্না জম্মু কাশ্মীর তঙ্খায় অমদি খুদুম চন্দুনা লৈখি। মদুনি ঙসি পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) হায়রিবসি। মতাং অসিদনি হরি সিংহনা ইন্দিয়াদা তিল্লে হায়দুনা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন হায়বদুদা খূৎয়েক পীখিবসি। মসি নৎত্রবদি ইন্দিয়ানা লান্মী থাজিনবা য়াদে করিনা হায়ববু ইন্দিয়া অমদি জম্মু কাশ্মীর অনীসি মতমদুদদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক অমমমনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নাকল অনীমক সিজ ফায়র লাউথোক্তুনা ইন্দিয়া পাকিস্তান লান লেপহল্লে। মানা মানা খুদুম চনখিবা লমদুগী ময়ায় অদুবুনি বোর্দর ওইনা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল হায়না খঙনরিবসি।

পি ও কেদসু ইন্দিয়ানা খূৎ থিংজিন্দ্রে। অদুবু পাকিস্তান্নদি জম্মু কাশ্মীরদা খূৎ থিংজিনবা লেপত্রি। মদুনা মরম ওইরগা টেররিষ্টকী ঈরাং হৌহল্লি। মখোয়না জম্মু কাশ্মীরগী অপূনবা লম পূম্নমক লৌশিনবা হায়বসি মখোয়গী অপান্বনি। মসি পূম্নমক মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্লা খঙই। মরম অদুনা পাকিস্তান্না কাশ্মীরগী ৱাফম অসি মুসলিমশিংগী ওইবা নমথনবা কম্ম্যুনেল ওইবা ৱাফম ওইবনা কনানসু য়ানীংদে। মনীংতম্বা লৈবাক অমদা নাকোয়ননা লান্দাবগা চপ মান্নে। আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ থমখিবসু ইন্দিয়া মশাননি অদুগা অমুক হন্না লৌথোকপসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টননি। মসিদা পাকিস্তানগী করি মথৌ লৈবগে। আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫ এ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট মশাগী কন্সটিট্যুসন্দা হাপচিনবদা পাকিস্তান্না মতমদুদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়খিবা লৈতে। ●

# মোব জষ্টিসকী মরমদা ৱাখল থাদমিন্নবা মথৌ তারে

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ঙসিদি, মণিপুরদা থোক্লিবা মোব জষ্টিসশিংগী মরমদা মীয়াম্না য়াম্না চাউনা খন্ন-নৈনবগী মথৌ অমা তারক্লে। মোব-জষ্টিস হায়বা ৱাহৈসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। ক্রাইম অমা থোকপদা ক্রাইমদুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীশক্তুবু নৎত্রগা মীয়াম্না মরাল লৈবা মীশকনি হায়না থাজনরিবা মীশক অমা নৎত্রগা অমা হেনববু, লম্বীদা চৎলম্বা মীওইশিং ফাওবা য়াওনা, মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম অমা হৌরক্তুনা থ্রিটন্নচিংবা কয়া তৌদুনা ৱারক-ৱাতেম্বগী থৌদৌদুবুনি, ঙসিগী মীয়াম্না মোব জষ্টিস হায়না খঙনরিবসি। মোব হায়বসিদি মোবনি। চুল্লমগনি খঙদে, লাল্লমগনি খঙদে, থৌদৌদুবু মমিৎনা উহৌই হায়বা মীওই খরা খক্কী পাউদমদা য়ূম্ফম ওইরগা, অচৌবা মীয়াম অমনা মরাল লৈরে হায়বা মীওইশিংবু ৱারক-ৱাতেম্বগী থবকনি। হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরদা মোব-জষ্টিসকী থবক য়াম্না কন্না চঞ্চনরি। মোব জষ্টিস অয়াম্বনা চুল্লবসু, ওন্ন-তৈননা চঞ্চরম্বা মোব-জষ্টিসশিংসু য়াওরমদবা নত্তে। অদুবু, মোব জষ্টিস পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুংদা পাঙথোক্লুরিবা মোব-জষ্টিসতু লাল্লম্লে হায়বা খঙলক্লুবসু, য়ামখ্রবা মীয়ামদুগী মরক্তা মোব জষ্টিস অমগী চাউরবা তেকচাক্তু অপান্ননা কনাদা পুহল্লুগনি? শুপ্নগী মোব জষ্টিসতুদা মৈচেন্নরিবা মীশক নৎত্রগা মীশকশিংদুগী মরাইবক থীবা থৌদৌ হায়বদু তারগা খক্তমক তোক্কদৌরিবনি। মসিনি মোব জষ্টিসকী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা থৌদৌ অমা হায়রগদি। ৱাফমসি হান্নদগী লৈরকপা মোব জষ্টিসকী অরুবা ৱাফম অমনি। ৱাফমসিগী মথক্তা হন্দক-মরক খক্তদা, মীয়াম্না কন্না ঙাঙনরকপা, মোব জষ্টিসকী হেন্না নাতৈ চারক্লোইদৌবা মানবা থৌদৌ খরগী মমিসু কন্না পন্নরক্লি। মোব জষ্টিসকী মরমদা থাঙ্গৈশেংনা খন্নদবা য়াদবা ৱাফম কয়ামরুম ঙসিদি নৌহৌনা থোক্লক্লে।

মোব জষ্টিসনা মণিপুরদা য়ুনিভর্সিএল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী আর্টিকল মখল কয়ামরুম্বু মচেৎ তানা থুগায় হায়বসি অখঙ-অহৈশিং কয়ামরুম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন কোদ তৌনরকপা থেংনরে। ক্রাইম অমগী মায়োক্তা থোকপা মোব জষ্টিস অমা হায়বসি, ঙসিদি লৈঙাক্কী মীৎয়েংদা ক্রাইম অম'মুক ওইনা লৌরক্লে। মোব জষ্টিস পাঙথোক্লিবা মীয়ামগী মখূত্তা আইন পায়দে, আইনগী কূপ্লবা কাঙলোন কয়ামুকপু মীয়াম্না মচা খায়না খঙনরম্বা হায়বসিসু ওইথোক্তবা অমনি। মীৎয়েং শোমদা য়েংলগা শোয়দনা ওইরমগনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্কী কোর্ট ওইরিবা 'সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া' ফাওবনসু মোব জষ্টিসকী মরমদা অয়া-য়াদা কয়ামরুম অমা ফোঙদোক্লকপা থেংনরিবসি। মোব জষ্টিস হায়বসি তশেংনা কন্ট্রোল লৈতবা নৎত্রগা কন্ট্রোল য়াওদবা, নৎত্রগনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদসু ঙমদবা, খুদক্তা পুল্লকপা মীয়াম অমগী অকনবা শাফুনা পাঙথোকপা থৌদৌ অমনি হায়বসিদি শোয়দনা চুল্লমগনি। অদুম ওইনমক, মোব জষ্টিস হায়বসি অয়াম্বা মতমদা অচুম্বা থৌদৌশিংগীদমক পাঙথোক্লুবশিংনা অয়াম্বা ওই হায়বসিসু অমুক্কা চুল্লম্বা থেংনরি। নুংশিৎ শিত্তবা মফমদা উনা লেংদে হায়নবগুম, অয়াম্বা মতমদা মোব জষ্টিসশিংদা চেন্নরিবা ক্রাইম হোল্ডরশিং অদু ক্রাইমশিংদুদা চেন্নবা অশেংবা মীশকশিং ঙাক্তদি ওইগল্লি। ফীভমশিংসিদা মণিপুরদা ক্রাইম অমা হেক থোকপদা, লমদমদুগী লৈকায় মীয়াম্না খুদক্তা চোংথোক্লরক্তুনা শাগৎলকপা 'মোব জষ্টিস' অমবু, তশেং-তশেংনমক মদু মতম চূপ্পগী ওইনা তৌফম শুংথোক থোক্তবা থৌদৌ অমনি হায়দুনা থিংলুগদবসিসু লুই। মোব জষ্টিস অমদা য়াওরিবা মীওইশিং খুদিংমক অয়াম্বনা ক্রাইম হোল্ডরশিংদুগী থৌদৌশিং খক্তনা পেলহন্দ্রবা অমদি লুতোন কানা শাউনীংবা পোকহল্লবশিং ঙাক্তনি। মীয়াম্না চঞ্চরিবা মোব জষ্টিসশিংদু তশেংনমক, ক্রাইম হোল্ডরশিংদুগী ওইনদি মতিক চপ-চানরবা চৈরাকশিং ঙাক্তনি লৌনরিবনি। অদুবু হৌজিক লুরক্লিবসি, লমদমসিদা থোক্লিবা মোব জষ্টিসশিং অয়াম্বদা, অতোপ্পা মীওইশিংনা য়েংবদা কা হেনবা মওংদা নুংঙাইতবা পোকহনবা, হ্যুমেন রাইটসপু মফমদুদা ঙম্মী হায়বা মতাগুম, হঞ্জিন-হঞ্জিন শীংনদুনা মচেৎ তানা থুগায়বা অমদি মীওইবগী রাইট মশক খঙলক্তনা মীওইবনা মীওইববু তাথী-তাওইনা ওৎপী-নৈবীবনচিংবা কয়ামরুম অমা উৎলকপসিনি। থৌদৌসিমক তশেংনা হ্যুমেন রাইটসপু চপ চানা শিংনবা অমনি। পূম্নমকসিনা মতমসিগী ওইরিবা মোব জষ্টিসপু লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তশেংনা অথিংবশিং থম্নবা হোৎনরক্লিবনি। ৱাফমসিমক য়ৌনা খন্নরবনিনা, মণিপুরদা ওইরক্লিবা মোব জষ্টিসকী ফীভম্না মতৌ করম্না খোঙফমসিমক য়ৌনা খোঙ থাংজিল্লক্লিবনো হায়বসিসু অমুক্তং মমুৎ তানা খন্নথোকহৌবা ফৱা নীংই। নৎত্রবদি হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মণিপুরদা থোক্লিবা মোব জষ্টিসশিং পাঙথোকপদা চেন্নরিবা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং, নাকল অমমমতগী ওইবা মীৎয়েংশিংদা চৎনখিবসু য়াদবা নত্তে। থৌদৌসিনা খূবাক নাম্মতা খুবগী মতৌগুম, হীরমসিগী মতাংদা খোঞ্জেল অমত্তা থোক্লখিদদুনা, অশেংবা অমসুং অচুম্বশিং হায়বদু কনা-কনানা করি-করি তান-উনরিবগে হায়বদু মশক অমত্তা ফাওবা খঙন-উনখিদবসু য়াই।

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা 'মোব জষ্টিস' কী মওং-মতৌসি মণিপুর লৈঙাক্লা পামদবা থৌদৌ অমা হায়বদু চপ চানা ওইরে। অদুম ওইনমক, মণিপুরগী মোব জষ্টিসশিংগী মওং-মতৌশিংনা ফীভমসিমক য়ৌরকপদা, মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা তেকচাক অমা ফাওবা য়াওখিদে হায়বমক্তি লানগনি হায়বা ৱাফম মতাংসিদা থম্নীংই। মীৎকুপ কাংদনা মণিপুরদা থোক্লিবা মখল-মথেলগী ৱাথোকশিংগী মরমদা, মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা, মীহাৎপশিং, হুরানবশিং অমদি অতৈ নাতৈ হুক্তবা থবক কয়ামরুম তৌবা মীওইশিংবু অথুবা মতমগী মনুংদা ফাবীনবা অমসুং মতিক চাবা চৈরাকশিং পীবীনবা কয়ারক হন্না হায়জখি। অদুবু লাইবক থীবদি, মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবগী মনুংদা অদুগুম্বা মীওইশিং কয়ামরুমদু ফাবীবা ঙমদনা লৈরক্লি। অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদা নীংঙমদনা অমদি পেন্দনা লেল্লক্লিবা মীয়াম্না করিগুম্বদা, অদুগুম্বা কাঙবুশিংদু তাঞ্জা অমা চারুবদগী মীয়াম্না ফাজবা থোক্লবদি, মফমদুদা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা মোব জষ্টিস অমা থোক্তনীংঙাইগী মরম খক লৈরোই। অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদা করিগুম্বদা, মীয়াম্না ফারবা মীশক নৎত্রগা মীশকশিংদু, আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাকশিং পীবিয়ু হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা কাঙবুশিংদা শিন্নরুরবসু, মখোয়গী বলিগী হামেং মীয়াম্না মখোয়দা খূৎশিন্নবীরকপগুম, মতিক চাবা চৈরাক পীবীবদি লায়রদুনা নোংঙানবা ফাওবা ঙাইঙমদনা হেক্তা থাদোকখিরম্মী। থৌদৌশিংসি হঞ্জিন-হঞ্জিন থেংনরবা মীয়াম্না, লৈকায় অমদা নাতৈ হুক্তবা থবকশিং তৌরম্বা নৎত্রগা মীয়ামগী ইকায়খুম্নবা শীংনরম্বা মীওই অমবু ফাবদা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীফা-মীপূনগী কাঙবুশিংদা অমুক হন্না, ইরেম লেম্না, তগৎ-তগৎ তেক্না শীন্ননীংবা হৌনরিব্রা? করিগুম্বদা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাহংশিংসিগী পাউখুম মতিক চানা খুম্বীবা য়ানবা শীনবী-লাঙবীরম্বা থোক্লবদি, ঙসি লমদমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা থোকহন্নীংদ্রবা মোব জষ্টিস কয়ামরুমসি হঞ্জিন-হঞ্জিন খক থোক্লরমখিগদ্রা? মীয়াম্নসু খন্নরি, লমদমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা পোক্লো এক্ট মতিক চানা চৎনহল্লকপদগী ইরমদমসিদা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মতিক চানা ঙাকপীবা ঙম্লব্রা? এক্টসি চৎনবা হৌখিবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবগী কেস মশীং কয়া য়াম্না হন্থখ্রে? এক্টসি লৈনা লৈনা অসিগুম্বা কেসশিংগী মশীং হন্থহনবা ঙমদ্রবদি, খুদোংচাবা মফমশিংদা মীয়াম্নসু, মীয়াম্না শেমজবা মোব জষ্টিস থিংবা ঙমদনা অদুমক চঞ্চনরকপা তাবনি। মীয়ামগী মোব জষ্টিসশিং চঞ্চ-চঞ্চনা ফাওবা লমদমসিদা ক্রাইম থোকপগী মশীংসি খক হন্থহনবা ঙমদ্রি। লমদমসিগী ক্রাইম হোল্ডরশিং নোংম-নোংমগী অসুম্মক মশীং হেঙ্গৎলকপগুম তৌরি। মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎপীদ্রিবা মখৈদি লমদমসিদা, মীয়ামগী মোব জষ্টিসসিসু পাক থিংবা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। অদুম্মকপু, মীয়াম্নসু মোব জষ্টিস হায়বা থৌদৌসি মতম লৈবা খিবিক্তা কন্ট্রোল লৈতবা থৌদৌ অমনি অমসুং আইন্না য়াবা থৌদৌ অমা খক নত্তে হায়বসি কাউনবীদবা ফৈ। মীয়াম্না য়ারিবা মখৈ মোব জষ্টিস হায়বসি থোকহনবীদনবা হোৎনবীবসু চুমগনি।

য়ারিবমখৈ লমদমসিদা মোব জষ্টিসকী ৱাফমসি মীয়াম্না তেনশিন্নবা হোৎনমিন্নসি অমসুং মখা তানা য়ারিবমখৈসু থোকহনবীদনবা খন্থমিন্নসি। তঙাইফদনা করিগুম্বদা থিংবা ঙম্নহৌদবদগী ইরমদমসিদা মোব জষ্টিস অমা থোকহনখিবা তারবসু, থোক্লিবা মোব জষ্টিসতু থোক্লিবা ক্রাইমদুগী অরুম্বদগী খক হেনহনবীদনবা হোৎনমিন্নসি। ক্রাইমগী অরুম্বদগী মোব জষ্টিসকী অরুম্বনা হেনবা থৌদৌ কয়ামরুম অমা ইরমদমসিদা তত্তনা উবা ফংলিবসি লেপহল্লসি। মীয়াম্না শেম্বা মোব জষ্টিস মীয়াম্না মুৎহনবা নত্তনা কৈদৌঙৈদা খক, অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা মপূং ফানা মুথৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। হীরমসিদা মীচং মীখায় নাইবা অমদি মীচং শঙ্গা য়েংনবগী মমিশিং খক তাহনফম থোক্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।